# ব্রোইলর য়েনদা মচিঞ্জাক পীজবা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

ব্রোইলর মচিঞ্জাকসি ময়াম্না চানরিবা চেঙদগী হেন্না তাঙই। মরমদি মখোয়সি অতোপ্পা মফমদগী পুশিল্লকপা ঙাক্তা ওইবনা। ব্রোইলর মচিঞ্জাক শেম্বদা মচল অয়াম্বা মফমসিদা মরাং কায়না ফংদবনিনা মপান লমদগী পুশিল্লকপনা মমলদি ৱাংনা লৈ। ব্রোইলর লোইবীরিবা খরগী ৱাখলদদি লেপ্পুনা মচিঞ্জাক হায়বদি মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা মচিঞ্জাক ৱাংহন্দ্রগদি য়াম্না থুনা নোয়বা ঙমগনি হায়বগী ৱাখলদা মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্র খুদিংমক মচিঞ্জাক ৱাংহন্দনা থন্মী। মসি খক তৌবীরোইদবনি। মসিনা লায়না কয়া লাকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

ব্রোইলরদা পীজরিবা মচিঞ্জাকশিংসি মচিঞ্জাক্কী কম্পেনি খেন্নবগী মতুংইন্না প্রীষ্টাটর, ষ্টাটর অমদি ফিনিসর হায়না খায়দোকপা য়াওই। মসি খরা অমদনা ষ্টাটর অমদি ফিনিসর হায়না খায়দোকপসু য়াওই। য়েনগী মচিঞ্জাকসি অনী থোক্লা ফংই। অমনা মফোন ঙাক্তা অদুগা অমনা উচি মথি মানবা মতুম মতুম তাবা অমা। হায়রিবা মতুম তাবসি শেম্বা মতমদা মচিঞ্জাক্কী মচল খুদিংমক ফুৎতোল্লগা মেছিন্দা মতুম মতুম শেল্লকপনি। মসিনা চাশিনখ্রগা তুম্বগী চাং অমদি মহাও হেনগৎহল্লি। প্রীষ্টাটরদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি গ্রাম অমগী মচিঞ্জাক্তা চাদা ২৪-২৫ ফাওবনি অমদি মসিদা য়াওরিবা এনর্জিগী চাংনা ২৮০০ কিলো কেলোরিনি। হায়রিবা মচিঞ্জাকসি পুরকপা নুমিৎতগী হাপ্তা ২ ফাওবা পীজবীগনি। মথংগী মচিঞ্জাক হায়বদি ষ্টাটরসিনা হাপ্তা ৩দগী ৫ ফাওবা পীজবীগনি। মসিদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি ২২-২৩নি। অদুগা এনর্জিগী চাংনা ২৮০০-২৯০০ কিলো কেলোরিনি। অরোইবদা পীজরিবা মচিঞ্জাক মখলসিনা ফিনিসর কৌই। মসি হাপ্তা ৫গী মতুংদগী য়োনদ্রিবা ফাওবা পীজবীবা য়ারে। মসিদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি গ্রাম অমগী মচিঞ্জাক্তা চাদা ১৯-২০নি অদুগা এনর্জিগীনা ২৯০০-৩০০০ কিলো কেলোরিনি।

কম্পেনি খরদনা মচিঞ্জাকসি মখল অনী থোকই। অহানবদা ষ্টাটর ফীদ, মসি য়েনাওনা পুরকপা নুমিৎতগী হাপ্তা ৪ ফাওবা অদুগা ফিনিসরনা হাপ্তা ৫দগী য়োন্দ্রিবা ফাওবা পীজবীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা মচিঞ্জাক মখল অমা পীজবা লোইরমদাই নুমিৎ ৩-৪নি ৱাংলিঙৈদগী অতোপ্পা মখল হায়বদি মথং পীজগদবা মচিঞ্জাক্তুগা য়ান্নবীরগা পীজবা হৌবীগনি। মসিগী মতুংদা কোন্না পীজগদবা মচিঞ্জাক্তুনা চাং হেন্না হাপ্তুনা পীজরগা তুংদা অকোনবদুনা মপূং ফানা পীজবীগনি। মসিনা চাবা তুমদবা হায়বদি দাইরিয়াগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মথক্তা পীজবগী মওংসি খুদম ওইনা হায়রবদা অহানবদা প্রীষ্টাটরদগী পীজবা হৌগনি। মসি নুমিৎ ২৪নি পীজগদবসিনা নুমিৎ ১০নি শুরকপদগী ষ্টাটর য়ানবীদুনা পীজবা হৌবীরক্কদবনি। অহানবদগী প্রীষ্টাটরগী চাং ৱাংলম্বদগী অসুম অসুম হন্থহন্দুনা ষ্টাটরগী চাং ৱাংহন্দুনা তুংদা ষ্টাটর ঙাক্তা পীজবীগনি। অচুম্বা ষ্টাটরদগী ফিনিসর ওন্থহনবদসু মথক্তা হায়জরিবা অসুম্না পীজবীগনি। মচিঞ্জাকসি অহানবদা পীজবা মতমদদি য়েনাও হেক পুরল্লগা মকোন্দা হাপ্পীরবা মতুংদা ইলেক্ট্রোলাইট পীথকপীরবা মতুং পুং ১ লৈরগা মচিঞ্জাকসি মকোন মথক্তা পাউচে/চে থাবীরগা মচিঞ্জাকসি চাইথোকপীগনি। মসিদা য়েনাওনা নীংথিনা চারবা মতুংদা অমুক অপাকপা পুখমগুম্বদা অমুক থন্বীরগা চাবা অমুক হৌহনবীগনি। মসিগী মতুংদা মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্রদা হাপ্পগা হুমনি শুবদগী পীজবা হৌবা য়ারে। অহানবা নুমিৎ নীনিদি মচিঞ্জাক ৱাংতনা পীজবীগনি। মসিদসু ঈশিং ৱাংতনা থন্বীগনি। মচিঞ্জাকসি নোংমদা অহুল্লক থোক্লা পীজবীগনি। মচিঞ্জাক অনৌবা হাপ্পা খুদিংগী পাত্রদু শেংদোকপীরগা হাপ্পীগনি। অহানবদদি মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক পীক থন্না হাপ্পীদুনা য়েনাওদা মচিঞ্জাক চাননবা এনকরেজ তৌবীগনি। মসিগী মতুংদা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা তঙ্খায়দগী হেন্না হাপ্পীরোইদবনি। হঙ্গৎনা য়েংলুবদা -

- করিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা মচিঞ্জাক পীক থন্না হাপ্লগদি চাদা ৩০দি মচিঞ্জাক মাঙই।
- করিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা মচিঞ্জাক শরুক অহুম থোকপগী ২ থন্না হাপ্লগদি চাদ ১০ মাঙই।
- করিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা শরুক অহুম থোকপগী অমা হাপ্লগদি চাদা ১ মাঙই।

য়েন চাউরকপগী মতুংইন্না অপিকপা পাত্রদা মচিঞ্জাক পীজরম্বদু অচৌবদা অমুক ওন্থোকপীরক্কনি। মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা ঈশিংসু মতম পূম্বগী ওইনা ৱাংতনা থন্বীগনি। ঈশিং অমদি মচিঞ্জাক হাপ্পগী পাত্রগী মওং মখাদা থমজরি।

মচিঞ্জাক .... ঈশিং .... মচিঞ্জাক
ঈশিং ... মচিঞ্জাক ... ঈশিং

য়েন মকোন্দা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং থম্বগী মওং।

য়েনগোন্দা য়েন মশীং য়াম্না লৈরগা মচিঞ্জাক হাপ্পগী পাত্রদু য়ামদনা লৈবা থেংনৈ। মসি তৌবীরোইদবনি। মরমদি মচিঞ্জাক থারকপা মতমদা য়েন অমগা অমগা মচিঞ্জাক মুন্নদুনা চানবা হোৎনবদা এনর্জিগী চাং য়াম্না হন্থে অমদি লূম্বগী চাংসু হন্থহল্লি। য়েন অমদা চঙগদবা মাগী চান্নবা মফমদু মখাদা পীজরি।

| চহী | চান্নবগী মফম/য়েন |
| --- | --- |
| ওনবা নুমিৎতগী নুমিৎ ১৪শুবা | ২.৫ সী এম/২" |
| নুমিৎ ১৫দগী ৪২শুবা | ৪.৫/১.৭৫" |
| নুমিৎ ৪৩দগী য়োনবা ফাওবা | ৭.৫/৩" |

মচিঞ্জাক হাপ্পগী পাত্র খুদিংমক ৱাংখৎনা থন্বীগনি। ৱাংখৎনা থল্লগদি মচিঞ্জাক চাবদা হেন্না চাবা ঙম্মী। ৱাইকুপ ময়াম অমা মচিঞ্জাক্তা তাশিনবগী চাং য়াম্না হন্থে। মচিঞ্জাক হাপ্পগী অৱাংবসি য়েনগী মনীংগী অৱাংবসিনা মচিঞ্জাক্কী পাত্রগী মথক্কী মপানগা ৱাংবা মান্নহননি।

য়েনাওনা চয়োল অনীশুবা ফাওবসিদা নীংথিনা পীজহৌবসিনা তুংদা মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লি।

মসিদসু নত্তনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চয়োল অনী ফাওবদা য়েনাও অমনা মচিঞ্জাক ৪৫০-৫০০ ফাওবা চাখ্রগদি মাগী লূম্বগী চাংসি ৩১৫-৩৯০ ফাওবা য়ৌই।

ব্রোইলর লূম্বগী মতুংইন্না পীজবগী চাং :

| চহী | লূম্বগী চাং (জি) | নুংতিগী পীজগদবা (জি) |
| --- | --- | --- |
| ১ | ১২০-১৩০ | ১৪-২১ |
| ২ | ৩১৫-৩৯০ | ৩২-৬০ |
| ৩ | ৫৪০-৭৩৫ | ৩০-৭৭ |
| ৪ | ৮২৫-১১০০ | ৩৭-৯৪ |
| ৫ | ১১৮৫-১৪৭৫ | ৯০-১১৫ |
| ৬ | ১৫৬০-১৮৮০ | ১০৫-১৩৫ |
| ৭ | ১৯২০-১২৯০ | ১১৭-১৫২ |
| ৮ | ২১৯০-২৪২৫ | ১৫০-১৭০ |

মচিঞ্জাক পীজবদা চেকশিনবীগদবা কাঙলোন খরা :

- য়েনাওশিং লুম্না থম্নবা হোৎনবদা মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক মফম চানা থন্বীগদবনি। পীরিবা মৈশা মনাক নক্লা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদু থন্বীরোইদবনি। লুমহনবা লোইরবা মতুংদদি মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক নুমিৎকী মৈশা ফংবা মফমদা থন্বীগদবনি।
- মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক মচিঞ্জাক হাঙহন্না থন্বীরোইদবনি। করিগুম্বা হাঙলবা তারগদি য়েন থল্লিবা ৱাইশিং অদু খোৎলগা চাবা হৌরক্কনি। য়েন অমগা অমগা চিক্লবগী চাংসু ৱাংহল্লি। মসিনা লায়না পোক্লক্তুনা শিবগী চাং ৱাংহল্লি।
- মচিঞ্জাক্কী পাত্র মশীং হন্থনা থন্বীরগদি মচিঞ্জাক চাবা মতমদা অমগা অমগা কৃক কৃক ইন্নদুনা চাবা ৱাংপা অমদি মচিঞ্জাক লৈমায়দা হৈদোকপা অসি য়াম্না তোয়না থোকই। মরম অসিনা য়েন মশীংগী মতুংইন্না পীজ পীথকপগী পাত্র থন্বীগদবনি।
- অরিবা মচিঞ্জাক পীজবীরোইদবনি। করিগুম্বদা মতুম তাশিন্দুনা লৈবা নৎত্রগা কোকফাই শুজা কাবা থেংনরগদি হায়রিবা মচিঞ্জাকসি পীজবীরোইদবনি।
- য়েনগী মচিঞ্জাকশিং মফোনগী শরুক্লা য়াম্না হেনহল্লোইদবনি। মরমদি মচিঞ্জাক চাবা মতমদা মচিন্দা নৎত্রগা খৌনাওদা নপ্পা থোকখ্রগদি মচিঞ্জাক চাবা ৱাংলি। মসিনা লূম্বগী চাং হন্থহল্লি।
- য়েন মচিঞ্জাক হাপ্পা মতমদা করিগুম্বা লেম্বা তারগদি লেল্লিবা মচিঞ্জাক্তু অনৌবা মচিঞ্জাক্কা তোৎশিন্নরগা পীজবীগনি।

য়েন লোয়বা মতমদা মচিঞ্জাক্কা হেন্না চঙবা মরম্না ঐখোয়না পীজবা মতমদা হেন্না চেকশিন্না পীজবীগনি। বন্দ/ব্লোকেদ তৌবা মতমদা য়েন মচিঞ্জাক্কী মমলসি অসুক্কী মতিক ৱাংই। মসিনা য়েন লোয়রিবা কাঙবুশিংদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইবতা নত্তনা শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা য়েন লোয়বদা চঙশিল্লক্লিবা খুদিংমক্লা অৱাবা কয়াসি মায়োক্লবগা লোয়ননা য়েন লোয়বদা শেন্দোং ফংনা লোয়বা ঙমহন্দে। অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমা ওইহল্লি অমদি য়েন লোয়নীংবগী ৱাখল লৈহন্দে। মরম অসিনা য়েন লোয়বীরিবা কাঙবুশিংবু য়োকখৎমিন্নসি। ●

# ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা অপিকপা ঙাশিংগী কান্নবা

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ

হৌজিক মরু ওইনা য়োক্লরিবা ঙাশিং অসিদি রৌ, কাটলা, ম্রিগল, নাপীচাবী, সিলভর কার্প অমসুং পুকলাওবী অসিনচিংবনি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী অকোয়বদা অপিকপা ঙা মখল কয়া লৈরি অমদি ঐখোয় মীওইবদা কান্নবা অসুক্কী মতিক পীরি। হায়রিবা অপিকপা ঙা মখলশিং অসিদা প্রোটিন মরাং কায়না য়াওই অমদি মাইক্রোন্যুত্রিয়েন্ট খুদম ওইনা হায়রবদা কেলসিয়ম, জিঙ্ক, আইরন, পোটাসিয়ম অমসুং ফেটি এসিদ মরাং কায়না য়াওই। খুঙ্গংদা লৈরিবা মীওই কয়ানা অপিকপা ঙাশিং অসিগী কান্নবা কয়া খঙই। খুদম ওইনা হায়রবদা মৈহৌরোলদগী শীজিন্নরকপা লৌশিং কয়া লৈ হায়বদি অনাবা কয়া ফহনবদা অমদি হকচাং ফহন্নবগী ওইনা শীজিন্নবগী লৌশিং কয়া লৈরি। মীরোনবী নুপীশিং অমদি খোল্লাং পীথক্লিবী মমা ওইবীশিংনা তঙাইফদনা ঙা চাবগী চৎনবী কয়া লৈরি। বৈগ্যানিকশিংনা থিজিনবদগী ফংলকপা ফলগী মতুংইন্না অপিকপা ঙাশিং অসিদা য়াওরিবা কেলসিয়ম অসি শঙ্গোমদা য়াওবা কেলসিয়মগী চাংগা চাওরাক্লা মান্নে।

মাইক্রোন্যুত্রিয়েন্ট ৱাৎপগী সমস্য অসি মালেমগী ওইনা য়াম্না চাউবা সমস্যা অমনি। তৌইগুম্বসুং মাইক্রোন্যুত্রিয়েন্ট ৱাৎপগী থৌওং অসি হেক্তা উবদি ঙম্বা নত্তবনিনা হায়রিবা থৌওং অসিবু হিদন হঙ্গর হায়বদি লোৎলগা লৈব অরাম-খৌরাংবা হায়রগসু খঙনৈ। মালেমগী ওইনা অঙাং মিলিয়ন চনি য়াঙ্খেরোম ভিটামিন এ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মথক্তা পনখ্রিবা অঙাং মশীং অসিদগী হেনবা কয়া অমনা অতোপ্পা মিনরেল হায়বদি আইরন, জিঙ্ক অমদি কেলসিয়মনচিংবা কয়া ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

মুকা ঙাদা য়াওবা ভিটামিন এগী চাং অসিনা নাপী চাবীদা য়াওবা ভিটামিন এগী চাংদগী শরুক মরিফুমাপল হেল্লি। হায়রিবা ভিটামিন এ অসি মুকা ঙাগী মমিৎকী মনাক্তা অয়াম্বা শরুক য়াওই।

মরম অদুনা ঙা মপূম ওইনা থোংবা অমদি মনা-মশিংগা পূন্না ফুৎমিন্নদুনা চাবা য়াম্না কান্নে নৎত্রবদি ঐখোয়গী হকচাংদা কান্নগদবা মরু ওইবা ভিটামিন অমদি মিনরেল কয়া অরেম্বদা মাঙখিগনি।

পোটাসিয়ম মরাং কায়না য়াওবা অপিকপা ঙাশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা খরদি মুকা ঙা, ঙামু, পোরোম, ঙাক্রা, ঙাচিক অমদি উকাবী অসিনচিংবনি। ঙাশাং নৎত্রগা বেলুন পাইবী হায়রগা খঙনবা ঙা মখল অসিনা আইরনগী শরুক খ্বাইদগী হেন্না য়াওই। সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিসরিজ রিসর্চ, বরাকপোরদা লৈবা সিনিয়র সাইন্টিষ্ট, ডাক্টর মোহন্তিনা থিজিনবদা ফংলকপগী ফল ওইনা ঈশিং ইচমদা ফংবা অপিকপা ঙাশিং অসিদা য়াওবা মিনরেল অমসুং ভিটামিনগী চাং অসি অচৌবা ঙাশিং হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগলনচিংবা ঙাশিংদা য়াওবা চাংদগী অসুক্কী মতিক ৱাংই। অপিকপা ঙাশিং অসিগী কিলোগ্রাম অমদা য়াওবা ভিটামিন অমসুং মিনরেল অদু অচৌবা ঙাশিং অসিগী কিলোগ্রাম নিফুদা য়াওবা অদুগা মান্নে। শম্না হায়রবদা অপিকপা ঙাশিং অসিদা য়াওবা ভিটামিন অমসুং মিনরেলগী চাং অসি অচৌবা ঙাশিংদা য়াওবা ভিটামিন অমসুং মিনরেলগী চাংদগী চাওরাক্লা শরুক নিফু হেল্লি। অপিকপা ঙাশিং অসি মখোয়না ফংলিবা মফমদুগী অনকপদা লৈবা মীওই নত্তনা অতোপ্পনা খঙবীদনা লৈরি। তৌইগুম্বসুং অপিকপা ঙাশিং অসিনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। লৈবাক্কী ওইনা চহীগী ঙা পুথোকপগী চাং হোৎপা মতমদা অপিকপা ঙাশিং অসি মায় কয়া ওনশিন্দে। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসিনা মীওই কয়াগী শেন্দাল লন্বী ওইরি অমদি ইমুং কয়াগী ঙাগী অৱাৎপা মেনখৎলি। খুদম ওইনা হায়রবদা মণিপুরগী পাৎ, তুরেল অমসুং খোং কয়াদগী অপিকপা ঙা অসি অসুক্কী মতিক ফারি অমদি মীওই কয়াগী শেন্দাল লন্বী ওইরি অমদি ভিটামিন, মিনরেল কয়াগী অৱাৎপসু মেনখৎলি। মরম অদুনা অপিকপা ঙাশিং অসিগী মরমদা থিজিনবা অমসুং য়োকপগী তঙাইফদবা লৈরি। নাকল অমরোমদা অপিকপা ঙাশিং অসিবু থওইদবদগী কান্নরবা ঙাশিং অসি মাঙখিগদ্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরি। মপান লমদগী পুশিল্লকপা অচৌবা ঙা কয়াদা থৱায় য়াওশিন্নরকপদগী কান্নরবা ঙাশিং অসি মুৎখিগদ্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরি। হায়রিবা ঙাশিং অসি চানবগীখক নত্তনা লৈতেং ওইনা শীজিন্নবসু য়াই অমদি মুন্না থিজিল্লবা মতুংদা লৈতেংগী ওইনা শীজিন্নবগীদমক মপান লমদা য়োন্দুনা লৈবাক্কী ওইনা অচৌবা শেনফম কয়া ফংনবা থৌরাংসু লৌখৎফম থোকই। ঐখোয়গী লৈবাক খক্তখক নত্তনা মালেমগী ওইনা অপিকপা ঙাশিংগী ওইনা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবসু লৈরি।

লৈবাক্কী ওইনা আইন অমসুং চাওখৎ থৌরাং কয়াগী পোলিসি শেল্লিবা মীওইশিংগী পূক্নিংসু অপিকপা ঙাশিংদা পূক্নিং চিংশিনজনীংই। হায়রিবা অপিকপা ঙাশিং অসিগীদমক্তা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং খরদি -

(১) অপিকপা ঙাশিং অসিগী মরমদা থিজিনবা ।

(২) ঙাশিং অসি করম্বা মফমদা লৈবগে, করম্বা মচিঞ্জাক চাবগে অমদি করম্বা মতম অমদি মফমদা মরূম কোকই হায়বদু খঙদোক্কদবনি।

(৩) হু অমদি ইলেক্ট্রিক্লচিংবা শীজিন্নদুনা মফম অমদা লৈরম্বা ঙা পুম্নমক হাৎতোকপীরোইদবনি।

(৪) অপিকপা ঙাশিং অসি য়োকপদা পূক্নিং থৌগৎপীগদবনি।

(৫) অপিকপা ঙাশিং অসি রৌ, কটলা অমদি ম্রিগলনচিংবগা পোলিকলচর ওইনা য়োকপগী টেক্নোলোজি পুথোক্কদবনি।

(৬) অপিকপা ঙাশিং অসি লৌ মরক্তা য়োক্তুনা য়ামখ্রবা লৌফমশিং অসিদগী ঙা পুথোক্লবদি ঙাগী অৱাৎপা মেনখৎপা ঙমগনি।

(৭) অপিকপা ঙাশিং অসিদি য়াম্না লায়না মরূম মথন্তা কোকচবা মরম্না মচা পুথোকপগী খুদোংচাদবসু লৈররোই। মরম অদুনা মচা লৌননবগী তোঙানবা পুখ্রি অমা থমদুনা মচা পুথোক্লবগী থৌরাং লৌখৎকদবনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবশিং অসি মুন্না খন্থবীদুনা অপিকপা ঙাশিং অসিদা মায় ওনশিনবীরবদি ঙা পুথোকপগী অৱাৎপা মেনখৎপা অমদি মীওই কয়াগী শেন্দাল লন্বী ফগৎহনবদা নত্তনা ভিটামিন অমদি মিনরেলগী অৱাৎপসু মেনখৎপা ঙমগনি। ●

# বালতিনগী দাইমো (দাইমন্দ) লৈব্রা?

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা দাইমো নৎত্রগা দাইমন্দ হায়রগা দাইমোনিয়ম ফোসফেট (দি এ পি) বু খঙনৈ। হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না তোয়না হায়নবা ৱাহৈনি বালতিনগী দাইমো (দাইমন্দ), মসিবু তশেংনা লৈব্রনে? ৱাহং অসিগী পাউখুমদি লৈতে হায়না খুমগনি। দাইমোনিয়ম ফোসফেটকী পেকিং অমা ফাওবা বকেট (বালতিন) দা হাল্লগা লাক্তে। অদুদি দাইমো (দাইমন্দ) গী মহুৎ বালতিনগী দাইমো হায়রিবসিদি করিনো? লৌমীশিংনা দাইমোনিয়ম ফোসফেটকী মহুৎ শিন্নবনি হায়না লৌরিবা পোৎলমশিং অসিদি প্লান্ট গ্রোথ প্রমোটর, রেগ্যুলেটর নৎত্রগা ষ্টিম্যুলেটর হায়বদি পান্বীশিংবু শাহৌ হেন্না ফহন্নবা এঞ্জাইম নৎত্রগা হোর্মোনশিংনি। মখোয় অসিগা দাইমোনিয়ম ফোসফেটকা মান্নদে। দাইমোনিয়ম ফোসফেট হায়বসি পান্বীশিংনা শোয়দনা চঙদবা য়াদ্রবা পান্বীগী মচিঞ্জাক অমা ওইরিবা ফোসফরস ফংহনবা হার মখল অমনি। পান্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা শোয়দনা চঙদবা য়াদ্রবা ইসেন্সিএল ন্যুতিয়এন্ট অমদি পান্বীশিংদা কান্নবা পীবা মচিঞ্জাক (বেনিফিট ন্যুতিয়এন্ট) হায়দনা মখল অনী লৈ। পান্বীশিংদা কান্নবা পীবা মচিঞ্জাক মখলশিং অসিদি মখোয়গী মহুৎ অতোপ্পা অমনা শিনবা অমদি মখোয় অসি য়াওদ্রবা ফাওবা পান্বীশিং অদু মপূং মরৈ ফাবা অদুম ঙমই। অদুবু শোয়দনা চঙদবা য়াদ্রবা মচিঞ্জাক হায়বসিদি মখোয়গী মহুৎ অতোপপা অমনা শিনবা য়াদে অমদি মখোয়সি য়াওদনা পান্বী অদু মপূং মরৈ ফাবা ঙমদে। অসুম্না ফোসফরস হায়বসিদি পান্বীশিংদা শোয়দনা চঙদবা য়াদ্রবা মচিঞ্জাক মখল অমা ওইনা অতোপ্পা অমত্তনা মহুৎ শিনবা য়াদে। মরম অসিনা লৌউ-শিংউবগী পোৎলম য়োল্লিবা ইচিন ইনাওশিংনা চমজখ্রবা লৌমীশিংবু লান্না লমজিংদুনা প্লান্ট গ্রোথ প্রমোটর নৎত্রগা রেগ্যুলেটরশিং অসিবু ফোসফরসকী হারশিংগী মহুৎ ওইনা উহনবীগনু। অসুম্না লান্না থাজখিবসিনা ফোসফরসকী হারশিংদগী মমল হেন্না হোঙবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নদুনা ফোসফরস শীজিন্নবগী চাং অসি হন্থখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা লৌফমদা নাইট্রোজেন ফোসফরস অমসুং পোটাশকী খল চুম্না চাইদ্রে।

পান্বীশিংনা লৌফমদগী লৌথোক্লিবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি মওং অমা নৎত্রগা অমনা অমুক লৌফমদা হঞ্জিনহনবিগদবনি। মদু নত্তদুনা লৌথোকপখক ওইরগা হাপচিনবা য়াওদ্রবদি লৌফম অদু মতম খরগী মতুংদা শীজিন্নবা য়াদবা লৌফম ওইরকই। মসিবু ঐখোয়না অনাবা লৌফম নৎত্রগা অশিবা লৌফম হায়রগা খঙনগনি।

পান্বীশিংদা হাপকদবা তোঙান তোঙানবা মচিঞ্জাক মখলশিং মশীং শুনা হাপ্তবনা পান্বীশিংনা লৌফমদা হান্না য়াওজবা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখল অদু নমদুনা চিংথোকখি। অসুম্না লেপ্তুনা লৌফমদগী মচিঞ্জাক মখল খরা লৌথোকপদি লেপ্ত্রবা অদুগা হাপচিনবা য়াওদবনা মরম ওইদুনা লৌফম অদুগী লৈবাকশিংগী মাপনথোংগী মগুণ হায়বদি ঈনিল ফাজিনবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপা, লৈবাক ফ্রোং-ফ্রোং লাওগদবদা কনশিল্লকপা, লৌফম অদুগী লৈবাক্কী মচুদা অওনবা লাকপনচিংবা তৌরকই। অমরোমদা অমুক লৌফম অদুগী কেমিকেলগী মগুণ হায়বদি লৈবাক অদুদা য়াওগদবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী খল কায়থরক্তুনা পান্বীশিং হৌবা ঙমদবা মফম ওইরকপগা লোয়ননা বাইওলোজিকেল ওইবা মগুণশিং হায়বদি লৌফম অদুদা লৈগদবা মীৎনা উবা লৈবাক লৈহাওবু ফনা থম্বদা চঙবা জীবশিং অমদি অসিগুম্বা মীৎনা উদবা জীবশিংগী মশীং হন্থখিদুনা লৌফম অদু লৈহাও চেন্দবা অমদি শীজিন্নবা য়াদবা লৌফম ওইরকই। শম্না হায়জরবদা হাপফম থোকপা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসিগী চাং চুম্না, মশীং শুনা হাপ্তবনা লৌফম অদু শীজিন্নবা য়াদবা লৌফম অমা হায়বদু মতম খরগী মনুংদা শোয়দনা ওইহল্লকপগা লোয়ননা পোথোক হন্থহল্লক্কনি। ঐখোয়না পীরিবা পান্বীদা কান্নহনগদবদা হীদাক লাংথকশিংগী কান্নবা ৱাৎলক্কনি, অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিল্লক্কনি অমদি লৌফম অদুদগী লোকপা মহৈ মরোং চারিবা ঐখোয়গী হকচাং অনা অয়েক য়াওরক্কনি হায়বদি ইশা ফরক্লোই।

দাইমোনিয়ম ফোসফেট (দি এ পি) নৎত্রগা ফোসফরস য়াওবা হারশিং অসি তঙাইমক ফদনা চঙদবা য়াদ্রিবসিগী মরু ওইবা মরমদি পান্বীশিংনা মরূদগী হৌরগা মপূং মরৈ ফাদুনা অমুক মহৈ য়ান্দুনা মরূ চঙবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম খরদা ফোসফরস অসি চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওইরি।

ফোসফরসকী মরু ওইবা মথৌশিং :-

(ক) মরূ-মরা মপূং ফানা শেমগৎপা।

(খ) পান্বীগী মউ লিংনা থম্বা।

(গ) পান্বীশিংনা মপাল য়াম্না শাহন্দুনা মরূ হেন্না চঙহনবা।

(ঘ) পান্বীশিং চাং মান্ননা অমদি থুনা মুনশিলহনবা।

(ঙ) হৱাই মখলগী পান্বীশিংনা নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা পান্বী মশা অমদি মতুং তাবদা লাক্কদবা পান্বীশিংদা নাইট্রোজেন পীবা।

(চ) পান্বীশিংগী পোথোকশিং অদু হেন্না মমুন ফাহন্দুনা মগুণ লৈবা পোৎথোক ওইহল্লি।

(ছ) পান্বীশিংবু লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

(জ) পান্বী অমনা হৌবদগী লোকপা ফাওবদা থেংনরিবা থেঙ্খাং খুদিংদা পান্বী অমবু মপূং ফাহনবদা ফোসফরস অসি চঙদবা য়াদ্রবা অমা ওইরি।

অসুম্না মরু ওইখ্রবা পান্বীগী মচিঞ্জাক অসিবু লৌফমদা হাপ্তবা হায়বসি ঐখোয়গী লৌফম শোকহন্নবা, পোথোক হন্থহন্নবা, অকোয়বগী খল কায়হন্নবা অমদি ঐখোয়গী হকচাং শোকহন্নবা নত্তনা অতোপ্পা করিসু লৈতে। ফোসফরসকী মহুৎ শিন্নবগী পান্বীদা ফোসফরস য়াওবা হার পীবিগদবনি, অতোপ্পনা শিনবা য়াদে। বালতিনদা লাক্লিবা পোৎলমশিং অসিদি হাপফম থোকপা হারশিং মশীং শুনা হাপ্লবা মতুংদা অহেনবা ওইনা হাপকদবনি। তশেংনা হায়রবদা উতি থোংবগী মথেলদা মোরোক অশাবা মেৎলগা হাপ্পগুম্বনি। মোরোক মেৎপদুনা চরা নোংখন্নবা য়ারোই। ●

ষ্টেটকী পাউ

# অঙাংশিংবু লেম্না লায়েংবা অমদি কোভিদ-১৯গী হোম টেষ্ট কিটস লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস): ডা. প্রাতিতা চেরিটেবল ট্রষ্ট অমদি দাইমন্দ রেদিও খোংজোমনা পূন্না শীন্দুনা খোংজোমদা লৈবা ট্রষ্ট অসিগী কমপ্লেক্সতা নোংমগী ওইবা অঙাংশিংবু লেম্না লায়েংবা অমদি কোভিদ-১৯গী হোম টেষ্ট কিটস লোঞ্চ তৌখ্রে।


অঙাংশিংবু লেম্না লায়েংবা অমদি য়ূমদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা কিটশিং লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা থৌবালগী চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও) ৱাই নোকুল, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট পেদিয়াট্রিক্স রিমসকী থবক্তগী পোথারবা প্রোফেসর ডা. এল ব্রজমোহোন, এ আই আর ইম্ফালগী শৈশকপা মোইরাংথেম তিকেন্দ্র অমসুং ডা. প্রাতিতা চেরিটেবল ট্রষ্টকী চ্যেরমেনসু ওইরিবা ফোর্মর মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা থৌরমগী অথোইবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ফোর্মর মিনিষ্টর এম হেমন্তনা হায়খিবদা, অখঙ অহৈশিংনা হায়বীবগী মতুং ইন্না কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ লাকপা মতমদা মরু ওইনা অঙাংশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরক্কনি হায়বা মরম্না মমা মপাশিংনা অঙাংশিংগীদমক ৱাজবশিং অদুগীদমক অমদি অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা থম্নবগী পান্দমদা ঙসিগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়খি। মখা তানসু অহল ওইরবশিং, নহাশিং অমদি নুপীশিংগী ওইবা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখিগনি হায়রদুনা মীয়াম্নসু খুদোংচাবশিং লৌবীহৌ হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কোভিদ-১৯গী হোম টেষ্ট কিটসু লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা মসিনা মতৌ করম্না টেষ্ট তৌগদগে অমদি কিটশিং অসি শীজিন্নবা মতমদা মতৌ করম্না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা খঙহনগদগে হায়বনচিংবা মীয়ামদা শুগায়না তাক্তুনা খঙহনখি। দোক্টর তনা শরুক য়াদুনা চথখিবা অঙাংশিংবু লায়েংবা অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী লাকপা অঙাং কয়ামরুম লায়েংখি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এক্স-সর্ভিসমেনশিংগী ইমুংশিংদা মেদিকেল কিট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস): এক্স-সর্ভিসমেন হেল্থক্যের ক্লিনিক কোইরেঙ্গৈনা এক্স-সর্ভিসমেন সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কনভেনর এল রামেশ্বরগা খূৎশম্নদুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এক্স-সর্ভিসমেন ইমুং ১৫০দা মেদিকেল কিটশিং য়েন্থোকখ্রে।



থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা পাঙথোকখিবা মেদিকেল কিটশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা রিটায়র্দ লেফ্টনেন্ট কর্নেল এল মনোংবা, এক্স-সর্ভিসেমেন সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কনভেনর এল রামেশ্বর, কো-কনভেনর এল ইবুংঙো অমদি রিটায়র্দ কেপ্টেন পি খেলেন্দ্রোনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এল রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, আর্মি, নেভি অমদি এয়র ফোর্সতা থবক তৌরম্বদগী পোথাখ্রবা ইমুংশিংদা এক্স-সর্ভিসমেন হেল্থক্যের ক্লিনিক কোইরেঙ্গৈনা লেপ্পুনা চথরকপা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা য়েন্থোকপনি।

ঙসি ফাওবা ক্লিনিক অসিনা লমদম অসিগী এক্স-সর্ভিসমেনগী ইমুং ৬০০ রোমদা তেংবাঙ পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখ্রে। মেদিকেল কিট অসিখক্তা নত্তনা লৈখিদ্রবা অমদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা ক্বারান্টিন তৌরিবা এক্স-সর্ভিসমেনশিংগী ইমুংশিংদা অঙম্বা মতেং তৌখ্রে। মখা তানসু তৌখিগনি। মসিদা এক্স-সর্ভিসমেনশিংনসু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়নসু রামেশ্বরনা আপীল তৌখি। পনবা য়াবদি, মেদিকেল কিট অদুদা ওক্সিমিটর, থর্মোমিটর, ফেশ মাস্ক ৫০/৫০ অমদি হেন্দ সেনিটাইজর লিটর অমমমনচিংবা পোৎলমশিং য়াওরি।

ꯃꯥꯡꯈꯤ / ADMIT CARD LOST

I have lost my Admit Card of Class-XII (Sc) examination, 2016 bearing Roll No. 24944 issued by COHSEM on the way between Thoubal and Canchipur on 24/08/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Nganba Leimapokpam
Phouden Keirambi, Thoubal,
# 7005678564
HL-P/9888/30

ꯈꯪꯍꯟꯕ / অৱাবা ফোঙদোকপা

ঙরাং তাং ২৮/৮/২০২১ ইং, থাংজ নুমীৎকী নুংথিল পুং ৪.০০ তাবা মতমদা ওন-লাইনগী খূথাংদা হৌখিবা ওগষ্টকী তাং ২৭ ইরাই নুমীৎকী অয়ূক অঙনবদা এম: ডি: ইউগী আর্টিষ্ট/ মেম্বর ওইনা লৈবীরম্বা লৈমপোকপম সুবোল, ইরোম পুখ্রি মপান্দা লৈবনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা এম: ডি: ইউগী আর্টিষ্ট/মেম্বরশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- T. Priyobarta Singh
General Secretary
Manipur Dramatic Union (MDU), Imphal
HL-P/9886/30